# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-06-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-০৬-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা লালহৌবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা ৮ দা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না নোং চ্গনি।

**অমসুং**

৩) কেন্দ্রগী মন্ত্রি পরলহাদ জোসিনা হায়রি-সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতেংনা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওই কোতি ২৬ লোমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লে।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া লেপ্পুনা ফাগৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউ লৈতে । সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা চেকশিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাংচুপ খারংগী অকোইবা মফমশিং, পোরোম চীংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎখি।

ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুদা-থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিনগা লোয়নবা নাইন এম এম কার্বাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ৪, পাইপ বোম অনি, স্মোক গ্রেনেদ অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি-ইন্তিলিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা শগোলবন্দ মোইরাং হনুবদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পিগী মীওই অমা মশাগী য়ুমদগী ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থা অসিগী ২২ দসু থৌবাল জিলাগী কিয়ামসিফাই খোঙ অহনবীদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা কে.সি.পিগী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হুইকপ মখা লৈকাইদগীনি।

নাকল অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা লিলোং অরাপতি লমখাইদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুবদা দল্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ৩ হেন্না ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অসি অলতো কার অমদা পুদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক, নুমিদাংগী মতম ওইবনা গারি অদুবু থৌরকখিবা মীওই অদু নাম্থোক্তুনা চেনখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা এন.দি.পি.এস এক্টকী মখাদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে হায়রি।

**হাৎলম্বা(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখু মনিং লৈকাইদা মশাগী চহী ৪৪ শুরবী নুপী অমা হাৎলম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মপুরোইবা পুলিসনা ফারে। মীহাৎ অদুদা শিজিন্নবা খূৎলাইসু পুলিসনা ফাগৎপা ঙম্লে। মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

**মীলাল(এল)ঃ** মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিনলোল অপুনবা লুপ(মিলাল) কংলৈপাকনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম চহী অসিগী ওইনসু ১৯ রক শুবা ওইনা মহৈরোইশিংগী মীতৈ ময়েক চাংদমবা পাঙথোক্লগনি হায়না মীলালগী চেরোল অমনা খঙহল্লি। চেরোল অসিনা হায়-চাংদমবা অসি চহী অসিগী ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ৩ দা পাঙথোকবা ঙরাং লুপ অসিগী ময়াইলোইশঙদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। চহী অসিগী ওইনা চাংদমবা অসি কাংলুপ ১০ থোকা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্কনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ঙরাং মীওই ১৩ নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়- ঙরাং পুন্না মীওহ ৪১ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ১৩ পোজিতিভ ওইখি । পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ৩১.৭ নি। অপুনবা পোজিতিভ কেস ১৫৮ শুখ্রে। মসিগী নুংদা মীওই ২০ নাবা ফগৎলকখ্রে। হৌজিক এক্তিভ কেস ১৩৮ লৈরি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পীবা নোংজ্ নুংশাগী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৮ দা ঙসি ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুগনি। নোং চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রবা জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলনি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদনা রাজ্য অসিগী জিলা ৬ তা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং তাগনি হায়রি।

**পরলহাদ ঃ** কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফিয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি পরলহাদ জোসিনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতেংনা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওই কোতি ২৬ লোমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লে। বিহারগী খগরিয়াদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী জোসিনা হায়-এন.দি.এনা সাসন পায়রিঙৈ মনুংদা থৌশিল থৌরাং কয়া নিংথিনা পায়খৎপদগী অফবা মহৈ কয়া উবা ঙম্লে। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান য়োজনাগী মখাদা বিনিফিসরিশিংগী একাউন্টতা লূপা কোতি লাক্ষ ৮০গী শেনফম ফংহনখ্রে। মন্ত্রিনা ঙরাং জিলা অদুগী পাসরাহাদা লূপা কোতি ১৫০ চংনা নৌনা শাবা ষ্টেট ওফ দ আর্থ সিলো ৱায়র হাউস অমা শঙ্গাখি।

**ধনখরঃ ডপ** রাস্ত্রপতি জগদিব ধনখরনা হায়রি-মালেমদা হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা ফিভম অসি ভারতকুম্বা শান্তি পামজবা লৈবাকশিংগী ওইনদি য়ামা নুঙাইতবা অমসুং নুংনাংনিঙাই ওইবা অমনি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধনখরনা হায়-মমাঙঙৈগী ৱাখল্লোনগী মতুং ইন্না ভারতনা মালেমদা নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনদুনা লাক্লি। উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিগী ৱাখল্লোন অসি মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈবাক খুদিংমক্তা শন্দোকপা তঙাইফদে অমসুং সিগীদমক ভারতনা লেপ্পা

লৈতনা হোৎনখিগনি।

**ঈ.সিঃ** গুজরাট, পঞ্জাব, কেরালা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা কেন্দ্র ৫গী হন্দক পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলগী ফল ইলেক্সন কম্মিসননা লাউথোকখ্রে। আম আদমী পার্তিনা সিট অনি, বি.জে.পি, কংগ্রেস অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসনা সিট অমমমদা মাই পাক্লে। গুজরাটকী কাদি বিধান সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী রাজেন্দ্র কুমার ধনেস্বর চাব্রানা মাই পাক্লে। অদুগা, ভিসাবাদর বিধান সভা কেন্দ্রদনা আম আদমী পার্তিগী গোপাল ইতালিয়ানা মাই পাক্লে। পঞ্জাবকী লুধিয়ানা ৱেষ্ট বিধান সভা কেন্দ্র এ.এ.পিগী মীরেপ শঞ্জিব অরোরানা ফংলে। কেরালাগী নিলম্বুর বিধান সভা কেন্দ্রদা কংগ্রেসকী অরিয়াদন শৌকৎনা ফংলে। নোংচুপ বেঙ্গলগী কালিগঞ্জ বিধান সভা কেন্দ্রদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী আলিফা অহমদ মাই পাক্লে।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগী নুমিৎ নিনিগী ছতিসগর খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙরাং রাইপুরদা লৈরিবা বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স(বি.এস.এফ) পর্সনেলশিংগা উনখ্রে। মসিগা মাংওইননা গৃহ মন্ত্রিনা মাওইষ্টকী এত্তেক্টতা লৈখিদ্রবা এদিস্নেল এস.পি অকাশরাউ গিরিপুঞ্জেগী ইমুং মনুংগা উনদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়-লৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা ভারত লান্মীশিংগী ইমুং মনুংদা সরকারনা অঙম্বা মতেং পাঙগনি। গৃহ মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা-ছতিসগরগী মুখ্য মন্ত্রি বিষ্ণু দিও সাই অমসুং রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি বিজয় শর্মসু শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এনি কুকি ত্রাইভকী মতাংদা থাদৌ ইনপী অমসুং মৈতৈ এলাইয়েন্সনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা তকশিনখিবা, অন্সমনা সরকারগী লোইশঙশিং থিংজিনবগী খোঙজংগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

এনি কুকি ত্রাইভ এস.টি লিষ্টতগী লৌথোকবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা থাদৌ ইনপী অমসুং মীতৈ এলাইয়েন্সনা তকশিনখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ফ্লাই ওভর মখা দস্বিন ওল্লে, ইম্ফালবু মশক থিহল্লে, হকশেলদসু অকাইবা ওইহল্লে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অন্সমনা নাগা এরিয়াদা ওফিসশিং থিংজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি। অন্সমগী খোঙজং হৌখিবগী পাউগা লোয়ননা সেনাপতিগী মিনি সেক্রেটরিয়েট থবক চপ লেপহনখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা লম্বীগী পোটহোলশিং মেনশিন্দ্রবদি মীশি মীনা থোকপনা হাল্লনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।সেক্যুরিতি ফোর্স

ঙাক্লগা লৌ খোইখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোংঙলি। কোবিদ পোজিতিভ ওইবা হেনগৎলক্লিবা অসি লাকশিন্নবা দেতাদা য়ুমফম ওইবা অথিংবশিং থম্বা মথৌ তারে হায়বা পাউ এঙ্কর কলমদা ফোংঙলি।

পীপলস ক্রোনিকলদা- অয়েৎ অপন লৈতনা চথোক চৎশিন তৌবা য়ানবা খোঙথাং লৌখৎপনা শান্তিগী লম্বী ওইগনি হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাং, গানফিউ মেল, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমাইদা ফোংঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- নাগালেন্দগী ফেসমাদা এন.ঐচ টুগী লম্বী মতেক অমা নমথদুনা তৎখ্রে হায়বা পাউগা লোয়ননা নোংজ্ থা লোইদ্রিফাওবদি শেমজিনবা ঙমগনি থাজদ্রে, খরা থুনা শেমজিনবীনবা গভর্ণরনা তকশিনবীয়ু হায়বা এম.দি.এগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা মণিপুর ভাইওলেন্সনা লমদম অসিদা অৱাবা মায়োকরিঙৈ ইকোলোজিকেল কাইথরকপদগী থোকপা ঈশিং ঈচাউনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা পীরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- নোনে জিলাগী নুংবাদা ধর্তি আবা জনজাতিয়া উদকর্স অভিয়ান কেম্পেইন পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**